# বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক স্বর্ণকলম এৱার্দ ফংলক্লবা মেঘচন্দ্র কোংবম

## (৬৩ শুবা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ২০১৫)

*- মাখোনমণি মোংসাবা -*

**ইন্দিয়াদা,** ফিল্মগীদমক পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল মখল খর লৈ। নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেলনা খ্বাইদগী চাওই অমদি ইকায়খুম্নে। ইন্দিয়াগী স্টেট খরদা মরুওইনা কেরলা, হায়দ্রবাদ, মুম্বাই, গোৱা, কলকটা অমদি অসামনচিংবশিংদা হায়রিবা ফেষ্টিভেলশিং অসি লেপ্তুনা পাঙথোকই। পীকচরবসু ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনসু মমাংথক্তা খর খর পাংথোকখি। ইন্দিয়াগী স্টেটশিংদা মরন্নাই পাঙথোকপা নৎত্তবদা, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না লেমজনফম ওইরিবা অসি নেস্নেল ফিলম এৱার্দ অমদি ইন্দিয়ান পানোরামা অনী অসিনি। নেস্নেল এৱার্দ অসিদি ফেষ্টিভৈল নত্তে অদুগা ইন্দিয়ান পানোরমাদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেলনি। হন্দক কুমশীং ২০১৬ অসিদা পাঙথোখ্রিবা নেস্নেল এৱার্দ অসি ৬৩ শুবনি। নেস্লেল এৱার্দ অসি ২০১৬তা পীজবনি এৱার্দ অসিমক্তি ২০১৫ গীনি, হায়বদি কুমশীং ২০১৫কী এৱার্দ অসি ২০১৬ তা লান্থোকচবনি। নেস্নেল এৱার্দ অসিদা কাটেগোরি মরী- **ফিচর ফিল্ম, নন-ফিচর ফিল্ম, বেষ্ট রাইটিং ওন সিনেমা** অমদি **ফিল্ম ফ্রেণ্ডলি ষ্টেট এৱার্দ** হায়না খায়রি। ফিচর ফিল্মদা এৱার্দ ৫৪ লৈ অদুগা নন-ফিচর ফিল্মদা এৱার্দ ২৩, বেষ্ট রাইটিং ওন সিনেমা হায়বসিদা এৱার্দ অহুম লৈ অদুগা ফিল্ম ফ্রেণ্ডলি ষ্টেট এৱার্দ অসিদনা অনী লৈগনি। পূন্না নেস্নেল ফিল্ম এৱার্দ অসিদা এৱার্দ ৮২ লৈ। মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইরিবনা **দদা সাহেব ফালকে এৱার্দ** অসিনা ওইরি। **দদা সাহেব ফালকে এৱার্দ** অসিমদি ইন্দিয়ান সিনেমাদা থোইদোকপা কৎথোকপগা লোয়ননা অচৌবা মফম লৈখ্রবা, মীশক মীওইদা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা পীবা অৱাংবা এৱার্দনি। নেস্নেল এৱার্দ অসিদা মেডল অনী- **স্বর্ণকমল** অমদি **রাজতকমল** পীরি। মসিগা লোয়নবদা অইবা ৱারোল অমদি পৈশানি। স্বর্ণকমলনা সনাগী অদুগা রাজত কমলনা লুপাগীনি। স্বর্ণকমল পীরিবা অসিনা **দদা সাহেব ফালকে এৱার্দি,** ফিচর ফিল্মগী ওইনা -**বেষ্ট ফিল্ম, বেষ্ট দাইরেক্টর, বেষ্ট ফিল্ম ওফ দি ফার্ষ্ট দাইরেক্টর, বেষ্ট পোপুলার ফিল্ম, বেষ্ট চিলড্রেন ফিল্ম** তারবশিংদা অদুগা অমুক নন ফিচর ফিল্মগী ওইনা -**বেষ্ট ফিল্ম, বেষ্ট দাইরেক্টর** তারবশিংদা অমদি **বেষ্ট রাইটিং ওন সিনেমা**গী কটেগোরিদা- **বেষ্ট বুক ওফ সিনেমা** অমদি **বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক এৱার্দ** ফংবশিংদনি। অতৈ এৱার্দশিংদি রাজত কমল ওইনা পীরি।

মণিপুরী সিনেমানা মহাক্কী চহী ৪৪ শুরকপা ফাওবদা হেক হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী ফিল্ম পূন্না নেস্নেল এৱার্দ ৩০ ফংখ্রে অদুগা ইন্দিয়ান পনোরমাদা ফিল্ম পূন্না ২৮ শরুক য়াবা ঙমখ্রে। নেস্নেল এৱার্দ ৩০গী মনুংদা ১৩না ফিচর ফিল্মনি অদুগা ১৭না নন ফিচর ফিল্মনি। ইন্দিয়ান পনোরমাদা শরুক য়াখিবা ফিচর ফিল্মনা ৮ অদুগা নন ফিচরনা ২০নি। চাংচৎতা ফিচর ফিলমদগী নন ফিচর ফিল্মনা মশীং য়াম্বা অমদি এৱার্দ ফংবসু হেল্লি। মণিপুরী সিনেমানা ইন্দিয়াগী নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াবা ঙম্বা অমদি এৱার্দ ফংলকপা হায়বসি অচৌবা শীঙনবা অমনি । মসিদা মনা ফংলকপা ঙম্বা হায়বসি অরায়বা অমা নত্তে। অচৌবা মার্কেটতা অচৌবা পৈশা থাধদুনা পুথোকলকপা ইন্দিয়ান সিনেমাগী ঈপাক্তা পৈশা চঙদনা পুথোকপা মণিপুরী সিনেমানা ইরোয়বা য়াওরুবদা ঙমলকপনি। মনা ফংলকপসি পূক্নিং নুংশিনিংঙাই ওই। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা মসিগী এৱ্যারনেস ৱাৎলি, ঐখোয়গী সিনেমাবু য়েংবীরিবা লমদমসিগী মীয়াম্না খঙবীদ্রি। চুম্নগী নুংঙাইনবা অমনি, কুঙ্কে অমনি হায়না লৌদুনা মীৎয়েং অমদা ৱাখল অমদা মণিপুরী সিনেমা থল্লি। লনাই হোৎনজদুনা য়াওরুবা ঙাক্তনি। স্পোর্টর্সকুম্না ক্লবনা, ফেদেরেসন্না মতেঙ পাংনবসু লৈতে। অদুবু হোৎনবা লেপ্তুবদগী চহী কাল্লগসু মরক মরক্তা মণিপুরী ফিল্মনা নেস্লেল এৱার্দ ফংলকপা ঙম্বা অসিমদি মশীং য়ামজদ্রবসু ফিল্ম তৌজরিবা মশেনদি থাগৎনদবা য়াদে, ইনখৎনদবা য়াদে। মণিপুরী ফিল্মগী মরমদা ইবীনবা, থাগৎপীনবা অইবা, নৈনমী, ফিল্ম ক্রিটিক তাঙলি, লৈত্রি হায়বমক য়ারি। ফিল্মগী লমদা অইবনি হায়না মপান্থোংদা উরগা ইবনসু য়াদে। ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন্দা খঙ-হৈরবা, ফিল্ম জর্নেলিষ্ট ওইরবা অমা ঙমগনি, মেডিয়মসিগী রিছার্চ স্কোলার ওইরবা অমা য়াগনি অদু নৎত্রগদি চন্নবা ঙমদে। মণিপুরগী ওইনসু হৌজিক ফাওবদা ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন কোর্স য়াওরুবা মীওই ১০গী মথক্তা লৈখ্রে। ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন কোর্স অসি মণিপুর ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট কাউন্সিল ওইরিঙৈদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা মীওই অনী অনী খন্দুনা থাদুনা লাকখি। লাইবক থীবদি এপ্রিসিয়েসন চৎলুরবা মীওইশিং অয়াম্বনা চৎলুরবা মতুংদা মশক উবা ফংখিদে, কনা চৎখি হায়বসু খঙনদে। মণিপুরী ফিল্ম চাউখৎনবা মখা তানা হোৎনবদা চৎলুরবা মখোয় য়াওরকত্রে, তুমিন লৈশিনখি। মখোয়না চৎলুবগী পাউদমসু তাদে, ফিদ বেক লৈতে। মণিপুরী ফিল্মদা মখোয়গী ৱাখল, পোরম মখা তানা এপ্রিসিয়েসন তৌরকখিদে, কন্ট্রিব্যুসন পীরকপা থেংনখিদে। মসি মণিপুরী সিনেমাগীদমক মাঙজবা অমনি। মসি থোক্তনবা হোৎনবা তাই। ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন চৎলুবশিংগী মনুংদা অহানবা চৎখিবা রাজকুমার বিদুর অমদি মেঘচন্দ্র কোংবম অনী অসিখক্তনা মণিপুরী ফিল্মগী অকনবা থবক মায়পুনদুনা হৌজিক ফাওবদা লৈরি। মণিপুরী ফিল্মনা নেস্নেল এৱার্দ ফংলকপশিংগী মনুংদা তাঙনা য়াওবা মীশক অনী হৌজিক মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারীদা ময়েক লানা ইহৌরগনি। মখোয়শিং অদুদি রাজকুমার বিদুর অমদি মেঘচন্দ্র কোংবমনি। বেষ্ট ফিলম ক্রিটিক এৱার্দতা স্বর্ণ কমল মনা, রাজকুমার বিদুরনা অহানবা ওইনা কুমশীং ২০০৮তা ফংখি। অনীশুবা ওইনা বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক এৱার্দতা স্বর্ণ কমল মনা মেঘচন্দ্র কোংবমনা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ৬৩শুবা নেস্নেল এৱার্দতা ইন্দিয়াগী প্রসিডেন্দ শ্রী প্রনাব মুখর্জীনা খুৎশিন্নবীরকখি। ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন চৎলুরবা মতুংদা লেপ্তুনা ইরকপা নৈনরকপা,



৬৩ শুবা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ২০১৫ গী বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক
স্বর্ণকলম এৱার্দ ফংলক্লবা ***মেঘচন্দ্র কোংবম***

চোকথবা লৈতনা মণিপুরী সিনেমাগীদমক হোৎনরকপাসিনা মখোয়না ঙসি অৱাংবা ইন্দিয়াগী স্বর্ণকমল এৱার্দ অসি চহী ৪৪গী মতুংদা ফংবা ঙমলকখিবনি। মণিপুরী মচাদা ফিল্মগা মরি লৈবা নেস্নেল এৱার্দতা হৌজিক ফাওবদা স্বার্ণ কমল ফংবসি মীওই অহুমদা ঙাইরি। হন্দক মেঘচন্দ্র কোংবমনা ফংলিবা স্বার্ণ কমলগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং হুম্ফুতারামঙা, সাইটেসন লোয়নরিবা অসিনা ফিল্ম ক্রিতিক এৱার্দতা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী চাউবা ওইরি । মসিগী মমলসি খঙনা ঐখোয়না মেঘচন্দ্র কোংবমবু তরাম্না ওকফম থোকই। স্পোর্টসতা মেডল অমা ফংলকপদি এয়ারপোর্টতা লৈ পরেংগা লোয়ননা ওক্লে, থবক অমসু চানবা মহৈগা লোয়ননা পীরি। মণিপুরী সিনেমাগীদমক মেডল ফংলকপদদি মসিগী থৌরাংসি ফিল্ম তৌরিবশিংগী মরক্তসু য়াওদে, মীয়ামগী মরক্তসু খল্লুবা লৈতে। সরকারনসু শিনবীদে মানা মানা থোকপনি । মসিনা তাকপদি নেস্নেল ফিল্ম এৱার্দকী মতাংদা ঐখোয়গী মীয়াম মসিগী মমল খঙদে হায়বনি। পার্ফোমেন্স তোঙান্নরবসু ফংলিবা মেডলগী ভেল্যুদি খেন্নদে হায়বসি ঐখোয় খঙফম থোকই ।

মেঘচন্দ্র কোংবমনা ফংলিবা বেষ্ট ফিলম ক্রিটিক স্বর্ণ কমল এৱার্দকী সাইটেসন্দা অসুম্না ইরিঃ-

Meghachandra kongbam interprets the world of Indian cinema for his readers in Manipuri. His lucid understanding and love for cinema makes him the ideal "Film whisper" in Manipur, where access to Indian films is often limited.

এৱার্দ লান্থোকপা নুমিৎতা মীয়াম মমাঙ অমদি লাইফ টেলিকাষ্ট তৌদুনা মীওই লাখ কয়ানা য়েংলিবা দুর্দরশনগী অমদি লোকেল কেবল নেটৱার্ককী চেনেলশিংদা Best writing on cinema গী Chairperson ওইখিবী Miss Advaita Kala না মেঘচন্দ্র কোংবমবু করম্না বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক খনখিবনো হায়বগী মতাংদা য়াম্না ময়েক শেংনা হায়খি। মহাক্না মেঘচন্দ্র কোংবমবু " The film whisper" হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদুনা থাগৎখি। মহাক্কী ৱারোলদা অসুম্না পল্লি-

..he interpretes Indian cinema for his audience in Manipur where access to Indian films is often limited. Mr. Kongbam writes for passion and is an example of how the language of cinema needs little translation..

অকোনবগী পরেংদা ইরিবা "...Mr. Kongbam writes for passion and is an example of how the language of cinema needs little translation..." হায়রিবসি য়াম্না মরুওই। মতাংসিদা মেঘচন্দ্র কোংবমগী ফিল্ম ক্রিটিকসিজম ইবগী মওং, ষ্টাইল, টেক্নিক, ডিক্সন অসি মেদাম Miss Advaita Kala না শীংথাখি। ৱাহৈ য়ামদনা, মচং খরনা ফোংদোকখিবা অথোৎপা, নীংথিবা আর্থ চেনবা ৱাহৈনা মমারোলদা অপাবশিংবু লায়না খঙহন্নবা অচম্বা লোল, পাবদা নুংঙাইনবা মচল হাপ্তুনা অমদি মাইকৈ তাকপদা মতেঙ ওইনবা এপ্রিসিয়েট তৌদুনা ইবা মেঘচন্দ্রগী ক্রিটিকসিজমগী খুৎই মওংবু থাগৎখি । খোরিরোল, সাহিত্যগী ওইবা মচল অদু অইবনা লৌদুনা শীজিন্নখিবনি। তশেংনমক মহাক্কী খুৎই সাহিত্যগী পোৎথোক্নি। মণিপুরী সাহিত্যগী মফম অমসু মহাক্না কনবনি। মহাক্না মমারোলবু নুংশিখি অমদি মণিপুরী লোলদা ইদুনা মণিপুরী খোরিরোলগী মশক অমসু উৎনবা হোৎনখি। মেঘচন্দ্রনা মতম পূম্নমক্তা 'ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন' অসি খুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নে। এপ্রিসিয়েসন হৈত্রবদি ক্রিটিকসিজমদা মায় পাকপা ঙমলোই হায়বা মহাক্না খঙবননি।

মহাক্না ঙসি Best writing on cinema ফংবা ঙমলক্লিবসি হীরম অসিদা শাংনা চৎলকপা খোঙচৎ অমা লৈখিবননি। মেঘচন্দ্র কোংবমনা বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক এৱার্দ ফংলক্লবা মতুংদা মশান ইংরাজিদা ইবা চেনা মরী পানবা My thoughts on receiving awards মিংথোনবা অইবা অমা প্রেসতা শিন্নখি। মণিপুরী ফিলমদা মেঘচন্দ্র কোংবমগী খোঙচৎ অসি মরু ওই। মহাক মশা লম অসিদা চঙশিল্লকপা য়াম্না কুইরে অমদি মসি ওইরক্লবা হোৎনবদা মহাক্না শরুক য়ারকখিবা, লোয়নরকখিবা, য়াওরকখিবা কয়া অসি ঐখোয়না হঙ্গৎনা খঙবীবা অমদি নৈনবা চঙই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মহাক্না দিল্লিদা লৈরিঙৈ মতমদসু অশঙবা মতমদা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়া য়েংবগী খুদোং চাবা ফংখি। আর্টিকল য়াম্না পাখি, পাউ-ঈ লৌখি । মণিপুরদা থোকলকপা মতমদসু তুমিন্না লৈতে । অঙনবা মতমগী মণিপুরী সিনেমাদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা হিংলিবা অমদি লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মরমদা মচাক খোমজিন্নবা হোৎনখি। মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারী খোমজিল্লি, মচাক থিজিল্লি। মসিগী মথক্তা ঐখোয়গী লমদম অসিদা উবা ফংদ্রবা অফবা ইন্দিয়ান সিনেমাশিং মহাক্না মপান্দা লৈরিঙৈদা য়েংহৌদুনা নৈনবগী খুদোংচাবা ফংখি। মহাক ফিল্ম এপ্রিসিয়েন কোর্স চৎলকই, ৱার্কশোপ কয়া য়াওরকই, ইন্দিয়ান পনোরমানা কলকটাদা, দিল্লিদা পাংথোক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ডেলিগেট ওইনা শরুক য়ারকই। ফিল্মগী লমদা আর্টিকল কয়া ইরকখি । নাকল অমরোমদা মহাক থিয়েটরগী অমদি সাহিত্যগী নোলেজ লৈ। মশামক কোরস রেপরটোরী থিয়েটরগী আর্টিষ্ট অমদি রেডিওগী এপ্রুভ ড্রামা অটিষ্ট অঙনবা মতমদা ওইরম্মী। হৌজিকসু বানিয়ান রেপরটোরি থিয়েটরগী প্রসিডেন্ট ওইনা থৌ পুরিবা মীশক্নি। সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ান্স মণিপুর (কাটা)গী প্রসিডেন্ট ওইরম্মী, মণিপুর ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এন্দ ক্রিতিক এসোসিয়েসনগী ফাউন্দর মেম্বরনি। মণিপুরী ফিল্মগী পোলিসি শেম্নবা ড্রাফটিং কমিটিদা য়াওরকপা, অহানবা দ্রাফ ফাওবা তৌখিবা মীশক্নি। মণিপুরগী মরুওইবা সাহিত্যগী সংস্থানশিংগী মেম্বরনি। লাইরিক পাবা অমদি ইবা লেপ্তুবা মীওইনি। পূম্নমক অসিগী মঙাল ফংলবা, ফিল্ম ক্রিটিক অমা ওইনা অশাংবা খোঙচৎ অমদা চোকথদনা লাকপগী মহৈনা হন্ন হন্না হোৎনরবা মতুংদা লানঙম ফিরাল পায়বা ঙমলকপনি। হীরম খুদিংমক্তা প্রোফেস্নেল ওইগদবনি। প্রোফেস্নেলিজম হায়বসি মহাক্না থাজজে।

হৌজিক মণিপুরী সিনেমনা ইন্দিয়ান সিনেমাগী ফিল্দদা চঙলকপা মতমদা, ফিল্ম নম্লিংবা পুথোক্লিংবা প্রড্যুশর, ফিল্ম মেকর লৈরে হায়দুনা মাইকৈ খঙদনা খুৎ থাবা য়াদবা মতাংনি। মণিপুরী ফিল্মদা অচৌবা এৱার্দ ফংলকপদা ঐখোয়না নুংঙাই অদুবু মসিদা ঐখোয়না পেন্দুনা লৈথোকপা য়াদে। মণিপুরদা ফিল্মগী লমদা অৱাৎপা য়াম্না লৈরি। খঙগদবা য়েংগদবা ৱাৎলি। মেঘচন্দ্র কোংবমনা হায় 'অফবা ফিল্ম অমা থোকলকপদা অফবা ক্রিটিক থোকলক্কনি।' মতাংসিদা ঐগী ওইবা ৱাফম অমা হায়জনিংঙি মদুদি- অফবা ক্রিতিক থোকলকপদা অফবা ফিল্ম থোকলক্কনি। অফবা ক্রিটিক অমনা ইথোকলকপদা অফ-ফত্ত নৈনদুনা ফিল্ম অদুগী মরাইবক লেপ্পদা মতেঙ ওই। তুংগীদমক মিৎশিং-নাশিংঙি। অফবা ক্রিটিক হায়বসি অফবা স্পোর্টর্সকী কোছ অমগুম্বনি। ঐখোয়গী মণিপুরদা অফবা ফিল্ম মমুৎতানা নৈনরবা, লাইরিক-লাইশু য়াম্না পারবা, ৱার্কশোপ, সেমিনার, ফেষ্টিভেল কয়া শরুক য়ারুরবা, চেফোং আর্টিকল নৈনরবা, ইন্দিয়া মনুংদা পাংথোকপা ফেষ্টিভেলশিং য়াওরুরবা ক্রিটিক মশীং ৱাৎলি। নেস্নেল পেপরদা ইবা ঙম্বসু য়ামদ্রি । আর কে বিদুরগুম্বা, মেঘচন্দ্র কোংবমগুম্বা ক্রিটিকশিংদগী পারা তম্বা তাই, হংবা তাই। মখোয়গা তান্নবা, খঙনবা হোৎনমিন্নবা তাই। মখোয়না লোইরোই মখোয়গুম্বা অফবা অইবা ফিল্ম ক্রিতিক ওইনবা ঐখোয়গী অইব অইবীশিং হোৎনবা তাবনি। মখোয়গুম্বা অফবা ফিল্ম ক্রিতিক থোকলকপা হেল্লি মখৈ অফবা মণিপুরী সিনেমা থোকলকপা হেনগনি। মতম চঙনা খন্থরগা থবক পায়খৎপা তাই। ঙাইহাক্কী ওইবা, তুংকোইরোইদবা থবক্তি ঐখোয় হোৎনদবনা ফগনি। পূনশিন্নবা, ৱা তান্নবা হায়বসি হৌজিক্তি ঐখোয় মরু ওইরে।

---

## হুইয়েন লানপাউগী তাবুনুংদৈ

২/০৯/১৯৯৬, নিংথৌকাবা

## হুরানববু য়োকখৎকদ্রা নত্রগা লৌশিংবু শৌগৎকদ্রা

**— অমর য়ূম্নাম —**

**ঈথৌ** লৈতে মরমদি ঐখোয়না হায়বশিং খুদক্তা থবক্তা ওন্তোক্লবগী শক্তি লৈতে। ইথৌ লৈ মরমদি ইজাতিগী ওইরিবা অমদি ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিবু মুন্না নৈনবা মী অমা ওইনা ঐঙোন্দা করি য়াওরিবগে হায়বদু ফোঙদোকফম থোকই।

হৌজিক্তগী চহী ৪ থা ৪ লৈরগা কুন শুবা চহীচা অসি লোইশিনখ্রগনি অমদি পৃথিবীগী লৈবাক মীয়াম খুদিংমক্না লাংতক্লনা ঙাইনরিবা ২১ শুবা চহীচা অদু তন্থবা তৌদনা থুংলরনি। অদুবু ঐখোয়না পাখৎলিবদি ২০ শুবা চহীচাদা ওইথোকপা য়াবা চাওখৎপগী চাং য়ৌনা চাওখৎপদি লায়রদনা মনিংলোমদা হনবগী মওংদা চৎলিবা সমাজ অসিনা মথং চহীচাগী লাল ময়াম অদুবু করম্না থেংনরগদগে হায়বসিনি।

ঐখোয়না পৃথিবীগী ইতিহাস য়াম্না শাংনা ফাক্কৎলুদ্রসু, চৎলিবা চহীচাগী হৌখিবা চহী ৩০ রোম অসিদা য়াংনা চাওখৎলক্লিবা খা-নাংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিবু নৈনবদা য়াম্না ময়েক শেংবা চাওখৎপগী পারা অমা চোংথোরক্লি। মদুদি চাওখৎপা হায়বসি অচুম্বা থৌশিলগী মখা পোল্লি। মসিদি মশানা তাজরবা ৱাফম অমনি। অদুম্নদি ওইরগা মসি ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরমদি অচুম্বা থৌশিল পুথোকপা অমদি থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি অরাইবা থবক নত্তে।

মতাংসিদা ঐখোয়না হংবা য়ারিবা ৱাফমদি অচুম্বা থৌশিল মতৌ করম্না মায় পাক্লবা লৈবাকশিংদা পুথোরকখিবগে হায়বসিনি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা লৌশিং (নোলেজ) বু য়াম্না চাওবা মফম অমা পী অমদি চাওখৎনবগী থৌশিল খুদিংমক লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা পুথোরকই। লৈবাক্কী চাওখৎনবগী থৌশিল অমতা মশা মশাগী ওইজবগা মরী লৈনহন্দে।

অমরোমদা ঙসি ঐখোয়গী রাজ্য অসিদা থেংনরিবা লৌশিংগা থৌশিলগা মরী অমতা লৈনদবসিনি। ঐখোয়গী রাজনিতিৱালা লুচিংবশিংনা থৌদোক অয়াম্বা ৱাখল লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইদে অমসুং মীয়াম্না থাজদে। অদুবু মখোয়গী অনিংবশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বগী শক্তি মখোয়দা লৈ। অমরোমদা অখঙ অহৈশিংনা ঙাঙলি-শক্লিবশিং অসি লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইজরগসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বগী শক্তি মখোয়দা য়াওদে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদনি ঙসিগী ঐখোয়গী মীশিংনা হেন্না হেন্না হুরানবরোমদা ওনশিন্নরক্লিবা অমদি খূৎলোইনরক্লিবা।

খুন্নাইসিদা ঐখোয়না লৌশিং হায়রিবসি অহেনবা পোথোক পুথোকপদা মতেং পাঙলিবা অমদি অচুম্বা অফবা ৱাখল্লোন পোকহনবা মখল অদুবুনি। অমরোমদা হুরানবা অমদি থোক-থাক্কী লৌশিংদি রাজ্যসিদা ইকায় খুম্নে অমদি মতিক ময়াই চাওবা শুম শুম হেনগৎলক্লি।

মতাংসিদা ঐখোয়না হংবা য়ারিবদি অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী রাজ্য অসিনা মতৌ করম্না ওইরকখিবনো হায়বসিনি। সমাজ অমনা কয়াম য়াংনা চৎলিবগে হায়বসি তম্লিবা বিদ্যা অদু কয়াম য়াংনা চঙশিল্লিবগে হায়বসিনা বিদ্যাদুদা য়াওরিবা মচাক অদুনা লেপ্পী। বিদ্যাদুনা অফবা মচাক অমসুং কান্নবা থবক তম্বীরগদি সমাজসু চাওখৎলি। অদুগী ওন্ন-তৈনবদা হুরানবা তম্বীরগদি সমাজদুগী মীওইশিং অদু হেন্না হেন্না তৌবা ঙম্বা হুরানবশিং ওইরকই।

ঐখোয়না বিদ্যা হায়রিবসি স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা তম্বীরিবা অদুখক্তবু নত্তে। হায়রিবশিং অসিদগী হেন্না মরু ওইবা লাইরিক তম্ফম অমা লৈরি। মদুদি মপুমদা সমাজ অসিমকপুনি। ঙসি ঐখোয়গী সমাজ অসিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা মহাক্কী প্রজাশিংদা তম্বীরিবা পারাদি হুরাল্লু অমসুং হেন্না হেন্না তৌবা ঙম্বা হুরানবশিং ওইরকউ হায়বসিনি। অমরোমদা হায়রগা ঙসি ঐখোয়গী সমাজ অসিনা খোঙ্গোইনরিবা অসিনা কান্নবা পোথোক পুথোকপা অমদি অচুম্বা তৌবগা মরী লৈনবা লৌশিং অদুবুনি।

মতাং অসিদনি ঐখোয়না সরকারগী থৌদাং চাওই হায়রক্লিবসি। করম্বা মখলগী লৌশিংবু য়োকখৎকদগে হায়বদু রাজ্য সরকারনা ময়েক শেংনা লেপথোকপা অমা চঙলে। হৌজিক্কী মওং অসিনা চথজসনু নৎত্রগা মসিদা অহোংবা মথৌ তারব্রা হায়বদু তঙাইফদনা ময়েক শেংহনবা তাই। অরেপ্পা অদুবু নিংহন্নবা তৌদনা অমদি মীনা হায়বা তাদনা চপ চানা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু।

অরোইবা ওইনা চৎলিবা মাইকৈ অমদি খোঙজেল অসি য়েংলুরগদি ঐখোয়না ঙাইগদৌরিবা অরোইবা নুমিৎ অদু কুইরক্ত্রে।

(অইবসি ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল চেঞ্জ এন্দ দিভলপমেন্ট, গৌহাটিদা ভিজিতিং ফেকলটি মেম্বর ওইরি)

---

## এদিটরদা থারকপা চিঠি / ৱাকৎ / মীয়ামগী খোল্লাউ / পাউদম

## নেচরেল কলামিটিদা পোলিটিক্স

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

হন্দক নোং খরা মরাং কায়না চুবসিনা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা লৈরক লম্বী নালা কয়া ঈশিং থুমজিন্দুনা মীচম মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবা মরু ওইবা কয়া অমা ঈশিংনা থুমজিনখিদুনা অৱাবা অমা মায়োক্নবা মসিগা লোয়ননা অঙাংশিংনা স্কুল চৎপদা য়াম্না খুদোংচাদবা অমা ওইবসিনি। নোং চুবনে, বন্দ, ষ্ট্রাইক, পব্লিক কার্ফিয়ুনা তোইবনে, করিনো তৌগদৌরিবসিবু মসিমক লম্মুক্নদুনা লৈনবনা মশীং য়াম্লবনি। নোংমগী শুরগা নোম্লগা হিংজবা খুঙ্গংগী মীওই কয়াদি অৱাবা মায়োক্নদুনা লৈনরবনি। নোংমা কাংদনা মীগী মীশিং হেনগৎলকপদি লেপতে। মালেমগী পাক চাওবদি হেনগৎলকপা লৈতে। লৈঙাক্না লম্বী সরক কয়া অমা শেম্বীরি। মখা তানা য়েংশিনবীবগী থৌওংসিমদি ইৱাৎ ৱাৎপগুম তৌরি। ৱাদনা শূদনা হিংনবা অরেম্বা পাম্বা মীওই মপোকনি খন্নবনা মশীং ওন্থোক্না য়াম্লবনি। মসিগী মনুংদা ঐনা ফরগা লোইরে, ঐনা পায়হৌরগা লোইরে হায়বা হৌজিক্কী মতমগী চৎনবীনি। মীয়ামগী অৱা অনা কয়াবু তেংবাঙনবা অমদি মীয়াম্বু অফবা লম্বীদা লমজিংনবা লুচিংবা কয়া ঐখোয়গী লমদমসিদা লৈতবা নত্তে। পঙ্গনিংলিবা ৱাফমদি খুরাই কেন্দ্রগী মনুংদা লমলোং কৈথেলগী নোংপোক থংবদা লৈবা তিনসিদ লম্বীদা হৌজিক কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবা ইকায় খুম্নজরবা অমদি সোসিএল ৱার্কর ওইদুনা চোংথোকপীরক্লিবা, হান্নসু কেন্দিদেট ওইনা লেপ্পীখ্রবা অনীগী থোঙ্গাল মায়োক্নবদা লৈরিবা লম্বীগী ফীভম নোং খজিক্তং চুবদা লম্বী মথক্তা তুংশিনবা ঈশিংনা নুমিৎ ৪/৫ নি ফাওবা কংবা ঙমদনা লৈরি। হন্দক নোং মরাং কায়না চুবসিদদি লম্বী সরক কোইলাস মথক্তা ফুট চাম্মরোম হেন্না শাংনা খুউ য়ৌনা ঈশিং থুমজিন্দুনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা অৱাবা অমদি অদুমক মায়োক্নরি। লম্বীসিগী নোংপোকলোমদা খজিক্তং চৎলগা নিংথৌবুং কৌবা খুল অমা লৈরি। খুলসিদা সাইন্স বোর্দ থেৎতবা মীয়াম্না জি বি দি হায়না খঙনবা গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুসন এজেন্সি অমা লৈরি। এজেন্সি অসিদা গ্যাস লৌবা লাকপশিংনা পুবিরকপা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং চাকা ২, ৩, ৪ পানবা গাড়ীনা লম্বীগী নাকল অনী পুমথন থল্লি। গাড়ী ময়ামসিনা লম্বীসি ফাওদুনা য়েৎ ওইদগী লাকপা গাড়ীশিং থৈনফম লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমগী মীচম মীয়াম্না পেঞ্জদবা হায়বদুমা ওইদুনতা লৈরে। মরু ওইনা স্কুল চৎপা অঙাংশিংদা য়াম্নমক খুদোংথিনিঙাইগী মচাক ওইহল্লে। গ্যাস লৌবা লাকপীরিবা ইচিল ইনাওশিংনা খরা খন্থবিরগা য়াম্না ৱাখল লৈনা মফম চানা গাড়ীশিং থম্বীরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি হায়বা লমদমসিগী মীয়াম্না খন্নরবনি।

তিনসিদ লম্বী ইরিল তুরেলগী নোংপোক থংবা শরুক অসিসু হৌজিক হৌজিকমক হায়নিঙাই লৈতনা ফত্তবগী চাংদা লৈরবনি। লম্বী ময়াইদা কোমজাও-কোমজাও, নোং তারকপদা ঈশিং তুংশিন্দুনা অচৎ-অওকশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লবনি। তিনসিদ লম্বীদগী মোইরাংকম্পু সাজেব অমসুং কংলা সিফাই ফাওদুনা চৎলিবা ইতম শওম্বুং তাবা লম্বীসিসু শেম্নবগীদমক্তা থুগাইবীরম্বা চহী অমা হেল্লক্লবনি। হৌজিক ফাওবা পাক্না লৌবা ফাওবা লোইশিনবীদনা অদুমক লেপখ্রে। মায়কৈ অসোমগী প্রজাশিংনা চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লৈরকপা কুইরক্লে।

পাউচেগী খুত্থাংদদি খুরাই কেন্দ্র মনুংদা কোইলাস থাদবা লম্বী অমত্তা লৈত্রে হায়না ইবিরকপা থেংনজে অদুবু মায়কৈ অসোমদা ওইরিবা ফীভম অসিগদি য়াম্নমক খেনরে। অসিগুম্বা অৱাৎপা কয়াসিবু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবীনবা হায়জরি। লোয়ননা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা নংলবশিংদা (নেচরেল কলামিটি) মতেং পাঙবীনবা নীংশিংজরি। প্রজা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবীবগা লোয়ননা হায়রিবা মফমশিংসি অমুক্তং চৎলগা য়েংবীদুনা অচুম চুমদা খঙবীয়ু। রাজনিতি অমদি মীচং খোম্বগী মওংদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা নুংশিন্দনবা হুদদি কামশিনবীরগনু।

*অদোমগী - লৌক্রাকপম কুল্লবিধু সিংহ*
*মোইরাং কম্পু সাজেব মখা লৈকায়, ইম্ফাল*

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১। জাৎ ওনবা কনানা ইবা উপন্যাসনো?
২। মণিপুরগী অহানবা খোরিরোলগী লূপতুগী মমিং করিনো?
৩। লায়ররবী ইরোলনি খঙদবনা হায়বনি, কনানা হায়রম্বনো?
৪। চেক্লা পাইখ্রবদা করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।